# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ য়েংদৌ

## – ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ময়াম খঙবীরব্রা? য়েংদৌ নৎত্রগা য়েংথৌ পান্বীদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বদু! য়েংদৌ পান্বীদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং অসি ঐখোয়না থাজবগী ৱাংমদা য়াওই হায়না থমজগে। তশেংবদি য়েংদৌ পান্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী পুন্সি মহিংগা থোইদোক্না তৎন-থানা য়াদ্রবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। য়েংদৌ পান্বী অসি ইংলিসতা জাইন্ট রীদ (Giant reed) নৎত্রগা স্পেনিষ্ট কেন (Spanish cane) নৎত্রগা কোলোরাদো রিভর রীদ (Colorado river reed) নৎত্রগা ৱাইল্ড কেন (Wild cane) নৎত্রগা কেরিজো (Carrizo), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *অরুন্দো দোনেক্স (Arundo donax Linn.)* হায়না কৌই অমসুং নাপী পান্বীশিংগী শাগৈ হায়বদি পোয়েসী (Poaceae) দা চল্লি। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না য়েংদৌ পান্বীগী অতোপ্পা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংশিংদি *অরুন্দো ইজিপতিকা (Arundo aegyptica E. Vilm)* নৎত্রগা *অরুন্দো বেম্বুসিফোলিয়া (Arundo bambusifolia Hook.f.)* নৎত্রগা *অরুন্দো বেঙ্গালেন্সিস (Arundo bengalensis Retz.)* নৎত্রগা *অরুন্দো লেটিফোলিয়া (Arundo latifolia Salisb.)* নৎত্রগা *অরুন্দো সাতাইভা (Arundo sativa Lam)* নৎত্রগা *সাইনোদোন দোনেক্স (Cynodon donax (Linn.) Raspail* নৎত্রগা *দোনেক্স অরুন্দিনেসিয়স (Donax arundinaceus P. Beauv)* নৎত্রগা *স্কোলোক্লোৱা দোনেক্স (Scolochloa donax (Linn.) Gaudin* অসিনি।

ময়াম্না থোইদোক্না খঙনরে মদুদি য়েংদৌ পান্বী অসি ৱা পান্বীগী মওংদা মফম অমদা চগুংননা পুল্লপ-পুল্লপ হৌগনবা (Clump forming) ৱা পান্বীগী শাগৈদা চনবা পান্বীনি। য়েংদৌ পান্বী অসি চহী কয়ামরুম পুন্সিবা (Perennial) ফুট ২০ ফাওবা ৱাংবা মতম পুম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা (Evergreen) পান্বী অমনি। য়েংদৌ পান্বী অসি ৱা পান্বীগুম্না মতাং (Node) চাং মান্ননা পাল্লি অমসুং মখোক অদু হঙ্গাম মপাল চংলপ্না সিলিকাগী পোৎচাক্না মপান্দা তৈদুনা শীৎ নাল্লি। ৱা পান্বীগুম্না য়েংদৌ পান্বীগী মরা অদু মরা কয়ামরুম কুংনা পান্দুনা শন্দোকই। য়েংদৌ পান্বী অসিগী য়াম্না কূপ্পা চেক মচুগী লৈশিং অদু পান্বীগী মতোন্দা অশাংবা মখোক অমদা চামোরগী মওংদা পুন্না পাল্লি। য়েংদৌ পান্বী অসি য়াম্না থুনা চাউগনবা পান্বীশিংগী মনুংদা অমনি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না য়েংদৌ পান্বী অসি অরাবিয়ন পেনিন্সুলা, নোংচুপ অমসুং ময়ায় থংবা এসিয়াগী লমদমশিং, চাইনা, জপান, ইন্দিয়া, ম্যান্মার, মলেসিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়া হায়রিবা মফমশিং অসিদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ অদুবু ঙসিদি পান্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক-শন্না শন্দোক্তুনা হৌখরে। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না য়েংদৌ পান্বী অসি ইন্দিয়ন সব কন্টিনেন্টেতগী হৌরকখিবনি। পোলুনিন অমসুং ষ্টেনটন্ট (Polunin & Stainton) না কুমজা ১৯৮৪দা পীবা পাউদমগী মতুং ইন্না য়েংদৌ পান্বী অসি হিমালয়গী খরা নেমতক তৌবা মফমশিং কাশ্মীরদগী নেপাল, পঞ্জাবতগী বাংলাদেশকী সিলহেট, অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফমশিং মরু ওইনা নাগা হিলস, মণিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিং অমসুং ম্যান্মারগী অয়াম্বা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না য়েংদৌ পান্বীদা য়াওবা খ্বাইদগী এক্টিব ওইবা কম্পাউন্দ অসি ত্রিপতামিন (Tryptamine) হায়না কৌই। হূ চেনবা কম্পাউন্দশিং মরু ওইনা ব্যুফোটেনিদিন (Bufotenidine) অমসুং গ্রেমিন (Gramine) অসি য়াওই। বেল (Bell) না কুমজা ১৯৯৭তা পীখিবা পাউদমগী মতুং ইন্না য়েংদৌ পান্বীদা য়াওরিবা এলকালোইদশিং অসিনা মরম ওইদুনা পান্বী অসি শা-ষণনা থোইদোক্না পাম্না চাদবগী মথক্তা তীল-কাংনসু লাক্দাবা ঙমহন্দে। ঐখোয় অয়াম্বনসু থেংনৈ মদুদি য়েংদৌ পান্বীদা তীল তাদুনা শিবা থেংনদে। আইসোপ্রীন (Isoprene) হায়রিবা মনিল কাগনবা ওর্গেনিক কম্পাউন্দ অসি য়েংদৌ পান্বীগী মশাদগী থাদোরকই।



পাউদমশিংগী মতুং ইন্না য়েংদৌ পান্বী অসি চহী লীশিং কয়াগী মমাঙদগী এসিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং খা থংবা য়ুরোপ, অৱাং থংবা আফ্রিকা অমসুং মিদল ইষ্টকী মফমশিংদা থাদুনা শীজিন্নরক্লে। অরিবা ইজিপসিয়নগী মতমদা অশিবা মীগী মশা অদু য়েংদৌ পান্বীগী মনানা য়োমদুনা মতম শাংনা পুমথহন্দনা থম্বদা শীজিন্নরম্মী। অরিবা গ্রীক্কী মতমদা কালামোস (Kalamos) হায়না কৌনবা য়েংদৌ পান্বীগী মখোক অদু ফ্লুট হায়বদি খোংনবা বাঁসি (Flute) শাবদা শীজিন্নরম্বগী পাউদমশিং ঐখোয়না থেংনৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি য়েংদৌ অসি মখল মখা কয়াগী পোৎথোকশিং মরু ওইনা থুমোক, য়েন্দাই, ফৌরা, কোট, য়েঙ্গোন, হুমায়, লৌয়ৈ ফক শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ। য়েংদৌ পান্বীগী মখোক অসিদা সিলিকা হায়রিবা ঈশিং পাক চঙবা ঙমদবা অমদি য়েংবদা ফজবনা পোৎথোকশিং শাবদা খুদোং চাহল্লি অমসুং পাম্নবা পোৎশক ওইহল্লি। য়েংদৌ পান্বীগী মপাল অসি মোন অমসুং মোনপাক শাবদসু পাম্না শীজিন্নৈ। মণিপুরীশিংগী চৎনবী অমা ওইনা য়েংদৌ পান্বী অসি লাইশোন-তীনশোন তৌবদা ফিরালগী মখোক ওইনা শীজিন্নৈ।

য়েংদৌ পান্বী অসি য়াম্না থুনা হৌবা অমসুং মপুং মরৈ ফাবা ঙম্বা মরম্না অমদি মখল মখা কয়াগী লৈবাক লৈশা অমদি ঈশিং নুংশিৎতা হৌবা ঙম্বা মরম্না অফবা মখলগী মৈ থাননবা শীং (Bio-fuel) অমা ওইনা পাক শন্না থানৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না ঈশিং য়াম্না মোৎপা পাৎথী-কোমথিগী অকোয়বদা য়েংদৌ পান্বী অসি থারবদি অমোৎপা ঈশিং অদু শেংদোকহনবা ঙম্বা মরম্না পাৎ শেমগৎ-শাগৎপদা পান্বী অসি থোইদোক্না মরু ওইরি। য়েংদৌ পান্বী অসি অকনবা মরা য়াম্না পানবা মরম্না লৈবাক লৈহাও চেনথবদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি য়েংদৌ পান্বীগী অনৌবা মতোন অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু অপোম-অতং তৌবদা লায়েংনৈ। হকচাংদা তিঙ্খাং-তুম্নৌ চঙবদা য়েংদৌ মতোন শুগাইদুনা থোন্বদা থুনা নাই চাহনবগী মথক্তা তিঙ্খাং তুম্নৌ অদু থুনা মপান থোরকহনবদা মতেং পাংই। করিগুম্বা কান্দসু য়েংদৌ মতোন শুগাইদুনা লৌবা মহী অদুদা খোইহী খরা হাপ্পুনা পীথক্তুনা লোক লাইহৌ তৌবা অদু লায়েংনৈ। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না য়েংদৌগী মরা অসি মীওইববু হুমাং থোকহনবা ঙম্বা (দাইফোরেতিক), হক্কী ঈশিং পৌহনবা ঙম্বা (Diuretic), উনশা থোৎতোকহনবা ঙম্বা (Emollient) অমসুং খোংমলাং থোকহনবা থিংবা ঙম্বা (Galactofuge) অসিনচিংবা মগুনশিং য়াওই। হায়রিবা অসি নুপীগী থাগী খোংকাপ চাং হেঙ্গৎহনবা ঙম্মী হায়রি। ঈশিং হাগৎতুনা পোমখৎপদা য়েংদৌ মতোন শুগাইদুনা থোন্বদা কান্নবা পীবা ঙম্মী। পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না য়েংদৌ মউ অদু য়ু অমসুং খোইহী খরগা পূন্না লোন্দুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা কেন্সর মখল খরা লায়েংনৈ হায়রি।

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN, KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA

Admission for B.Sc. Nursing / GNM/ PBBSc./ Engineering/ B Pham.
Note: Enroll B.Sc. Nursing at Hyderabad @ Job Opportunity at Singapore

5th Gateway Abroad International Education Expo . On 16 & 17 June 2019 At Lamyanba Sanglen , Near City Convention Centre, Konung Mamang.

Special Coaching Classes for ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY, CHINESE AND BENGALI WILL START FROM 20 JUNE 2019.

Plz Contact : Atawar Rahman, A.S.EDUCATION TRUST (JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT) Khergao Thambalkhong, Near old Cambridge School , Imphal East, Manipur.

Branch Office
M.G. Avenue Opp- Nirmala Hotel , Imphal West, Manipur.

Contact No: 8974084294,8415930785,9615706900, 8974249895

HL-B/5483/15-30june/1-14july

Study MBBS in India
Oldest & trusted medical GUIDANCE
Direct admission Top Pvt. Medical College Recognised by MCI at law package
Package 40 lacs to 75 lacs
Karnataka (Banglore, Manglore, Shimoga, Tumkur, Sullia, Chitradurga, Kolar).
Uttra Pradesh (Delhi NCR, Lucknow, Kanpur, Mathura, Agra, Meerut, Noida)
Rajasthan (Geetanjali, NIMS, Pacific)
Chennai (Pondicharry)
Pune, Navi Mumbai (Dy Patil, Bharati Vidyapeeth, KIMS)
Aboard MBBS:
# Bangladesh; # Kyrgystan; # Nepal.
BDS, BAMS, BHMS, BCA, Vety Engg, Nursing, Mgt, Agri, Tech. etc.
HUMAN RESOURCE CENTRE
Keishampat Top Leirak, Opp. Sanaleibak Daily News paper, Imphal
Help Line No: 9402938178 / 8794758218
HL-P/6198/10/5-7/7 (alt)

EARN AND LEARN
A Delhi based International Organization is looking for young, hardworking people.
An interview will be held in Classic Hotel Imphal.
Required: Fresher, 12 pass and above and good English
Please call at **8130445632** to fix your appointment
HL-B/5455/9,11,13,15,17,19,21

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭

১। মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লান্দা ইরেংবম থুন্দাংবগী লান অসিসু অমনি। মী য়াম্না শিখি, মশামক ফারগা হাৎখিবনি।

(ক) ফম্বাল লান অদু করম্বা চহীদা থোকখিবগে?

(খ) ফম্বাল লান্দু থোকপা মতমদা লৈরম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "লৈরাংত লৈরাংনি ঐগী পামজবা শৈরেংদি/...মাগী নুংশি মঙলান্দা/শানৌ ঙাইহাক মাঙজরবা/য়ারে লৈরাং।" পরেংশিংসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "কৈশাম প্রিয়কুমারগী ৱারীমচা অমদা 'নোংনা ফূদিৎ ফূনা চুবা অহিং অমদা পাখঙমচা অমনা কোম তৌবা, অদুগা কোম অদুদা পাখঙদুমক ফূমজিনবীখিবা' উৎলি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "শাৎচনীংবনি লৈরাং কুন্দো ওইনা/নুংশি লংলাদা লেংজরগা/নঙগী ঙকশমদা হুক্নবা" পরেং অহুম অসিনা 'ঐবু লৌবা লাক্কনি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো?


৫। "হোৎনববু কল্লবদি মহয় শোয়দনা চায় উৎপা দ্রামা লাইরিক, 'কপ্পু কপনিংলকইদা' কৌবদুগী চীংমী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

BUMPER DISCOUNT SALE
- UNIFORM WHITE SHIRTS HALF/FULL - 150/- ONLY
- KIDS FULL/HALF CASUAL SHIRTS - 150/- ONLY
- KIDS HALF T-SHIRT (ALL SIZES) - 150/- ONLY
- GIRLS FROCKS (ALL SIZES) - 150-250/- ONLY
- GIRLS JEANS PANT - 295/- ONLY
- GENTS FULL/HALF SHIRTS (OLD STOCK) - 250/- ONLY
- GENTS KURTA - 150-295/- ONLY

AND MANY MORE ITEMS ARE AVAILABLE ON 25% TO 50% DISCOUNT.
NEW FRESH STOCK IS ALSO AVAILABLE
ONLY AT :- BRIGHTWAYS
THANGAL BAZAR, IMPHAL WEST
HL-B/5380/8-30 (alt)

CSC City Study Circle
Sangaiprou Mayai Leikai, Airport Road, Opp: Life Style Fitness Gym
CONGRATULATIONS SUCCESSFUL CANDIDATES IN HSLC EXAMINATION-2019
ROLL OF HONOUR
13th POSITION



NONGMAITHEM ZENO
S/o. N. Ranjit Singh & N. Tilotama of Nachou Mamang Leikai
Mark : 554 P.C. : 92.2%
SUB. TOPPER : COMP. SC. (100)

I am indeed grateful to find a coaching centre like CSC. In fact, it may be rightly said that it is the abode of all the well-experienced and brilliant teachers. The teaching style, mock test series and many other educational activities helped me boost my knowledge even more stronger. I believe CSC will do the best for the growing up students.
N. Zeno

Best Wishes: Managing Board Members, Teaching & Non-Teaching Staffs
FORM AVAILABLE
Limited Seats First Comed First Serve
Attached Hostel Facilities
20th FOUNDATION COURSE STARTS : 27th JUNE, 2019
11th REVISION COURSE, STARTS : 5th DEC. 2019
Office Hour : 10 am. to 5 pm.
For Details Contact : 8729914669 / 6909614910
Motto : Learn more fulfil your dreams
Manipuri Classes for IX & XI (Gram. & Writing Skills), X & XII Foundation and Revision Course, BOSEM, COHSEM, CBSE. Timing : Sundays and Holidays ( Morning and Evening)
HL-B/5425/31/5-29/6(alt)

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For

Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Facilities : Free Text Book Sets
Special Concession:
Meritorious / ST/ SC / Govt. School / Hosteller/ MOBC -Students
Hostel Fee- Rs 4000/- only ( Boys & Girls)
Office Timing: 7:00 am - 7:00 pm
Class commence : 13th June, 2019

Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Van Service available
Class commence : 1st week of July, 2019

Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001
HL-B/5460/11-30june/1-10july

### মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।